# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-01-2026)**

**য়ুপিএফ (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) না ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাক্লরোইসি হায়বা পান্দমদা হৌখিবা দিসেম্বরগী তাং ৯ দগী নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ হায়দুনা মনিপুর, অসাম, মেঘালয়া অমসুং ত্রিপুরাগী মনিপ্‌রিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ষ্ট্রিট কোন্নর মীতিং, মীয়ামগী ওইবা মীফম, পব্লিক দিসকোস, পোষ্ট কেম্পেইন, বাইক রেল্লি অমসুং মীয়ামগী খোঙচৎনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্লি। থাবুম অমা চথরকপা থৌরম অসি ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদগী মৈরা লৌদুনা হৌদোকখি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলাশিংদা চৎখিবা বাইক রেল্লি ঙরাং মোইরাংদা থুংখ্রে। রেল্লি অসি ঙসি অয়ুক মোইরাংদগী থৌবাল অমসুং ককচিং জিলা ফাওরবা মতুং মনিপুর কলেজতা লমথুংফম ওইগনি। থৌরম অসি হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯২ শুবা কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা মনিপুর কলেজতগী লংথাবালদা লৈবা মহারাজ অসিগী খুভম তমা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুং লোয়শিনগনি।

খোঙচৎ অসিগী মতাংদা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা হায়-থৌরম অসি য়ু.পি.এফনা ঐখোয় অমুক খুন্তাক্লরোইসি, ঐখোয়গী তুংগী লাইবক ঐখোয়না লেপ্পসি, য়েলহৌমীশিংগী অপুনবা মনিপুরি খুন্নাই শেমগৎহৌসি হায়বা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

থিবা হুম্বগী থবকশিং লেপ্পুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তাকয়েল খোঙবাল মনিং লৈকাই লাইরেন্বী লৈরক্তগী কে.সি.পি. (এম.এফ.এল) গী মীওই অমা ফাখি। মহাক লুপ অসিদা য়াওনবা নহা কয়া নমদুনা ফাবগী থবকশিংদা চেন্নবা মীওইনি অমসুং মহাকা ফাজিন্দুনা লাংজিংগী ভারাগী য়ুম অমদা থম্লন্বা মীওই মরিসু কনবা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী অপুনবা কাংবুনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মোলজোল, তুশাম, ভাইচৈ নফাই চিংশাং পরেং অমসুং মসিগী অকোইবদা একর ৫৩ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং মাঙহনখি। মসিদা নত্তনা মফম অদুদা লৈরম্বা শঙ মচা তরেৎ, হার বেগ ১১, স্প্রে পম্প য়াওনা পোপী থাবদা শিজিন্নবা পোৎলম কয়াসু মৈ থাদুনা মাঙহনখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** মরিশুবা লানফৌ (রামশোম) বুংগাগী থৌরম ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতগী কিলোমিটর ১৫ রোম চৎলগা লৈবা লামফৌ চারু খুলদা লৈবা দুহনা-লোনদা পাঙথোকখ্রে।

সেলেব্রেটিং রিজিলিয়েন্স এন্দ ফোসটরিং য়ুনিটি হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, রামশোম খুলগী খুঞ্জাশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপা অসিনি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা রামশোম হিরোজশিংগী মোনোলিট ১২ গী মায়খুমসু হাংদোকখি। থৌরম অদুদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

**সেন্সসঃ** ইং ২০২৭ তা মীকোক থিগদৌরিবা অসিগী অহানবা তাঙ্ক্কী

নোটিফিকেসন সরকারনা থোকখ্রে।

থৌরাং অসিগী মখাদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা চহি অসিগী এপ্রিল অমদগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা য়ুমকোক থিবগী থবক চথগনি। মসি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা লোয়শিনগদবনি। গৃহ মন্ত্রালয়না থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতুং ইন্না সেল্ফ ইন্যুমেরেসনগী থবক য়ুমকোক থিদ্রিঙৈগী নুমিৎ ১৫ নিগী মমাংদা খুদোংচাবা ফংহনগনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থিবগী থবক অসি লৈবাক অসিগী ওইনা দিজিটেলগী খুত্থাংদা থিবা অহানবনি। দাটাশিং অসি মোবাইল এপ্লিকেসন শিজিন্নদুনা খোমগৎকনি। মীকোক থিবা অসিদা ইন্যুমেরেটর, সুপরভাইজর, মাস্তর ট্রেন্নর, চার্জ ওফিসার অমসুং প্রিন্সিপাল নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট সেন্সস ওফিসার লাখ ৩০ হেন্না শিজিন্নগনি। মীকোক থিবগী থবক অসি তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবগী তাঙ্কক্তা এপ্রিলদগী  সেপ্তেম্বর ফাওবদা য়ুমকোক থিরবা মতুং অনিশুবা তাঙ্কক্তা মীকোক থিবগী থবক মথং চহিগী ফেব্রুৱারীদগী হৌগনি। মীকোক থিবা অসিগীদমক প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা মমাং থাগী তাং ১২ দা ফমখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা লুপা কোতি লিশিং ১১,৭১৮ লাখ ২৪ কায়থোকপদা অয়াবা পীখি।

**লৌমী ঃ** ড্রাফট পেসটিসাইদ মেনেজমেন্ট বিল ২০২৫ গা মরী লৈননা মীয়ামগী ওইবা মোত ফোংদোকপীরকবা সরকারনা হায়রি।

লৌউ শিংউ অমসুং য়াইফ য়ুন্থাল বিভাগনা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা দরকার লৈবশিং য়েংলগা ড্রাফট বিল অসি শেমখিবনি। বিল অসিনা হৌজিক লৈরিবা ইন্সেকটিসাইদস এক্ট-১৯৬৮ অমসুং ইন্সেকটিসাইদস রুল-১৯৭১ গী মহুৎ শিনগনি। শেমদোক্লবা মখলগী বিল অসিনা লৌমীশিংদা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবা কয়া ফংহনবতা নত্তনা মখোয়গী পুন্সি মহিং লায়থোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। বিল অসিনা টেষ্টিং লেবোরেটোরিশিংগী অচেৎপা থাজবগা

লোয়ননা লৌমীশিংদা অফবা মখলগী হারসু মরাং কায়না ফংহনবা ঙমহল্লগনি।

**ভেনিজ্‌য়েলা ঃ** ভারত্তা লৈরিবা ক্যুবাগী রাস্ত্রদুট-য়ুৱান কারলোস মারসন অগুইলেরানা হায়রি-ভেনিজ্‌য়েলাদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি ভারতনা কুটনিতিগী ওইবা অমসুং ৱারী শান্নদুনা লোয়শিন্নবা হোৎনরি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-মীপুম খুদিংমকা সমস্যা অসি শান্তি ওইনা লোয়শিনবা পাম্মী। রাস্ত্রদুটনা হায়-ভারতনা ঙসিদি অন টরজাতিগী ওইবা থবক থৌরম কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক অসিনা মালেমগী রাজনিতিগী ওইবা মরুওইবা ৱারেপ কয়াদা শরুক য়ারক্লি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-লৈখিদ্রবা লেফটনেন্ট জেনরেল-এস.কে. সিনহানা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী লমদা লৌরম্বা ৱারেপ অমসুং থৌদাং কয়া লৈবাক অসিনা তমজনিংঙাইনি।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা লেফটনেন্ট জেনরেল এস.কে. সিনহা মেমোরিএল লেকচরগী থৌরমদা ভরচুয়েলগী খুথাংদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। শ্রী রাজনাথ সিংহনা জেনরেল এস.কে. সিনহানা ভারত লান্মীশিংগী ওইনা অনৌবা ৱাখল্লোন অমসুং থৌনা কয়া পীনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরম্বগীদমক ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিফেন্স ষ্টাফকী চীফ, জেনরেল অনিল চৌহাননা হায়-লৈবাক অমগী নেসনেল সেক্যুরিতিবু চেকশিন্না য়েংশিনবা অমসুং ঙাক শেনবা হায়বসি লান্মীশিং খত্তগী থৌদাং নত্তেহায়বসি জেনরেল সিনহানা চপ য়ুংনা থাজরমখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সাইতোন বোম ব্লাষ্ট য়েংশিনবা চৎখিবা, অনৌবা গভরমেন্ট শেম্বদা কুকিশিং য়াওদনবা কেজেদসিনা লেপখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সাইতোন বোম ব্লাষ্ট য়েংশিনবা চৎলুবা এম.পি. বিমোল বফর জোন লানহনখিদ্রে, বফর জোন শেমদুনা মনিপুর থুগায়রে হায়না এম.পিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা গভরমেন্ট শেম্বদা কুকিশিং য়াওদনবা কেজেদসিনা লেপখ্রে। সু গ্রুপনা কুকি এম.এল.এশিং ৱা খন্নবা কৌখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগীনি হায়রিবা ওদিও ক্লিপ্পিং অদুগী ফোরেন্সিক টেষ্ট রিপোর্ট পীখৎলকবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদসু অহানবা হেদ ওইরি।

পোকফম পাউচেদা-মনিপুর প্রেস ক্লবকী ৫১ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে। শান্তি পুরকবা হোৎনবদা অয়েৎ অপন পীরিবা অসি কনানো হায়বদু ঐখোয় পুন্না খঙমীন্নবা মতম ওইরে হায়না এম.এম.এ. খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঐখোয় অমুক খুন্তাকলরোইসি হায়বা পাডজেল শন্দোকপা মোটোর সাইকল রেল্লি চৎতুনা মফম কয়াদা মীতিং পাঙথোল্লি হায়বা পাউ সঙাই

এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকিশিংনা তাল্লিবা পোলিটিকেল দিমান্দগী মতাংদা খন্নদুনা অরেপ্পা ৱারেপ লৌবদা শরুক য়ানবা য়্.পি.এফ. অমদি কে.এন.ওনা কুকি সি.এস.ও অমদি এম.এল.এশিংদা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এস.য়ু.এসকী মরিশুবা গেট টু গেদর কম কলচরেল মিট কাংপোকপী জিলাগী দাইলি খুলদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাহন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-থা অসিগী ১৫ দগী ১৮ ফাওবা স্কাই হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স সেন্টরনা লেমা হার্ট সজরি তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।